
# ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ : পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্তগী লৈহৌরে

## ওলেম্পিক চেম্পিয়ন কারোলিনা মারিন মায়থীদুনা কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে







বির্মিংহেম, মার্চ ১১ :

মফম অসিদা চত্থরিবা ওল ইংলেন্দ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা নুপীগী সিঙ্গলস শট্লর পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱাল অনীনা মায়থীহৌখিবদগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে।

তরুকশুবা সীদ সিন্ধুনা চাইনিজ টাইপৈগী টোপ সীদ টাই টজু য়িংগী মখুৎতা মিনিট ৩৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা য়াম্লা লাকচনা ১৪-২১, ১০-২১ দা মায়থীহৌদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী মপান থোকখি। টাইনা মেচ অদুদা মতিং থোক্লা শান্নরক্তুনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চৎখি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টাইনা কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট সিন্ধুগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ৬-৩ দা মায় পাক্লা চৎলি। লোয়নবা টাইনা হায়দ্রবাদি অসিবু মায়থীবা পীখিবা অসি থংন-থংননা অহুম্লকশুবসু ওইরি।

নিপানশুবা সীদ সাইনা নেহৱালনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌখ্রবসু সাউথ কোরিয়াগী অহুমশুবা সীদ সুং জি হয়ুনগী মখুৎতা মিনিট ৫৪ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ২০-২২, ২০-২২ দা মায়থীহৌখি।

সাইনানা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিবা অদুদা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নক্কৎখিবা ঙমখিদবদগী মায়থীহৌদুনা নিংবা কায়না মহাক্কী কেম্প্যেন লোইশিনখি।

সুংনা মায় পাকখিবা অসি থারগা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদল ৱিন্নর সাইনাগা মায়োক্নদুনা গেম নিপান শান্নখিবদা অনীরক মায় পাকপা ওইখি।

পনবা য়াই, মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটলশিং ইন্দিয়াগী প্রকাশ পাদুকোন অমদি হৌজিক চীফ কোচ ওইরিবা পি গোপিচান্দনা লৌবা ঙমখ্রে। প্রকাশ পাদুকোননা কুমজা ১৯৮০ দা টাইটল লৌখি অদুগা গোপিচান্দনা কুমজা ২০০১ দা ৱিন্নর ওইখি।

অমরোমদা, হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ওল ইংলেন্দ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন কারোলিনা মারিনবু মায়থীবা পীখি।

মারিননা রিও ওলেম্পিক্সতা মায় পাকখিবা অদুদগী ৱর্ল্ড সুপর সেরিজ ইভেন্ট অমত্তা মায় পাক্তনা লাক্লি। মারিননা রাটচানোক ইন্টানোনগী মখুৎতা ২০-২২, ২১-১৩, ১৮-২১ দা মায়থীহৌখি।

মেচ লোইরবা মতুং মারিননা হায়খি, ঐনা মেচ অদুদা ১৮-১১ দা কন্ট্রোল তৌদুনা চৎখি অদুবু ঐনা মায়থীখি। ঐগী ওপোনেন্টনা ইনাক্তা চঙশিল্লকখি অমদি ঐনা মেচ অসি করম্না মায়থীখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রাটচানোকনা মথংগী মেচতা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। য়ামাগুচিনা মরিশুবা সীদেদ চাইনিজগী সুন য়ুবু ২১-১৩, ২১-১৪, ২২-২০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

# ইন্দিয়া ফুটবোল টিমনা মফম অনী কুমথরগা ফিফা রেঙ্কিংগী ১৩২শুবা মফমদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ১১ :

ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনী কুমথরগা ফিফাগী নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা ১৩২শুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা গুয়ানা অমদি নিজরনা মথংশিংনা মফম মঙা অমদি অহুম কাখৎলগা লৈখ্রে।

ষ্টেফন কোনষ্টানটিননা কোচ ওইবা সাইদ অসিনা ফেব্রুৱারী থাদা থোকখিবা রেঙ্কিংদা ১৩০শুবা রেঙ্কিংদা লৈখিবনি। ইন্দিয়ানা মমাঙ থাদা লৈরম্বা মখোয়গী রেঙ্কিং অদুদগী ১১ হন্থরগা অপুনবা পোইন্ট ২৩৩ দা লৈখিদুনা মফম অনী কুমথখিবনি। ইন্দিয়ানা মমাঙ থাদা অপুনবা পোইন্ট ২৪৪ দা লৈরমখি।


এসিয়ন ফুটবোল কনফেদেরেসন রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা হান্নদগী কাখৎলগা টিম ৪৬ কী মনুংদা ১৯শুবদা লৈখি। অদুগা ইরাননা ৩৩শুবা রেঙ্কতা লৈদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

অদুগা অর্জেন্টিনানা ফিফা রেঙ্কিংগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈদুনা মাঙজিল থানা লৈরি। অদুগা ইংলেন্দনা মফম অমা কুমথরগা ১৪শুবা মফমদা লৈখি। হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্স ওইরিবা জর্মনিনা য়ুরোপিয়ন নেসনগী মনুংদা খ্বাইদগী মফম ৱাংনা লৈদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি। হৌখিবা কোপা অমেরিকা টুর্ণামেন্ট অনীরক চেম্পিয়ন ওইখিবা চিলিনা মরিশুবা মফমদা লৈখি অমদি বেলজিয়মনা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

কুমজা ২০১৬ কী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন পোর্টুগালনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি। ফ্রেঞ্চনা তরুকশুবা মফমদা লৈখি। অদুগা পোলেন্দনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৱেলসকা পুন্না মফম ১২শুবদা লৈরি।

স্কোটলেন্দনা মফম অমা কুমথরগা বেনিনগী মখাদা লৈদুনা ৬৭শুবা মফমদা লৈখি অদুগা রিপব্লিক ওফ আইরলেন্দ অমদি নোর্থন আইরলেন্দনা মথংশিংনা ২৪শুবা অমদি ৩৫শুবা মফমদা লৈখি। ইটালিনা ইংলেন্দগী মখা থংনা লৈখিদুনা ১৫শুবা মফমদা লৈখি।

# রোহন বোপান্না-পাব্লো ক্যুভাসনা নোভাক জোকোভিচ-ভিক্টর ট্রোইক্কিগী মখুৎতা মায়থীহৌরে





ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ১১ : রোহন বোপান্না অমদি পাব্লো ক্যুভাসনা মফম অসিদা চত্থরিবা এ টি পি ইন্দিয়ন ৱেল্লস মাষ্টর্সকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ওপনিং রাউন্দদা নোভাক জোকোভিচ অমদি ভিক্টর ট্রোইক্কিগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

বোপান্না অমদি ক্যুভাসনা পুং অমগা মিনিট তরুক চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা সার্ভিয়নগী অপুনবা জুরাগী মখুৎতা ৬-২, ৩-৬, ১০-৭ তা মায়থীহৌখি।


ইন্দো-উরুগুয়ানগী জুরা অসিনা অহানবা সেটতা নিংথিনা শান্নখিদুনা মায় পাকখি। মখোয়না সার্বিয়ন জুরাগী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক খুদুম চনশিনখিদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা সার্বিয়ননা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা সেট অদু মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতা ইন্দো-উরুগুয়নগী জুরানা ৪-২ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু অথুবদা সার্বনা পোইন্টশিং লৌখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।


বোপান্না অমদি মহাক্কী পার্টনর উরুগুয়ে অনীনা সিজন অসিদা জুরা শেমদুনা মখোয়গী অহুম্লকশুবা টুর্ণামেন্ট ওইনা শান্নখি অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মেচ অমখক মায় পাকখি। বোপান্নানা সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৩০ গা পুন্না টিম শেমদুনা কুমজা ২০১৭ কী সিজন অসিদা মায় পাক্লা গ্রান্দ স্লাম য়াওনা অতোপ্পা টুর্ণামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা অফবা রিজল্ট ফংগনি হায়বগী আশা তৌরিবনি। মখোয়না সিদনিদা পাঙথোকখিবা অপিয়া ইন্টরনেসনলগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি অমদি মফম অসিদসু অহানবা রাউন্দদা মায়থীখি।

বোপান্নানা অতোপ্পা পার্টনরশিংগা পাদুনা শান্নখিবদা অফবা রিজল্টশিং ফংখি। মহাক্না সিজন অসিগী ওপনিং ওইখিবা চেন্নাই ওপনদা জীভন নেদুনচেঝিয়নগা পাদুনা শান্নখিবদা টাইটল লৌখি অমদি মমাঙ চয়োলদা দুবাইদা পোলেন্দগী মার্সিন মাটকোস্কিগা পাদুনা শান্নখিবদা রন্নরস-অপ তাখিবনি।

ইন্দিয়ন চেল্লেঞ্জ ওইনা এ টি পি মাষ্টর্স ইভেন্ট অসিদা লীএন্দর পেস অমদি জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা সাম ক্বেরি অমদি গিল্লেস মুল্লরগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# ভি আর রঘুনাথ, দেভিন্দর ৱালমিকি সেনিয়র মেন'স নেসনল হোকিগী কেম্পতা য়াওদ্রে





ন্যু দেল্লি, মার্চ ১১ :

এক্সপরিয়েন্স কেম্প্যেনর ভি আর রঘুনাথপু হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা নেসনল হোকি কেম্পকী প্রোবেবল মেম্বর ৩৩ গী মনুংদা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

রঘুনাথতা নত্তনা সেলেক্টরশিংনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দানিশ মুজটবা অমদি দেভিন্দর ৱালমিকিসু লিষ্ট অদুদা য়াওহনখিদে। মৱাইনিমকরিও ওলেম্পিক স্কাদতা য়াওখিবা প্লেয়রশিংনি।

প্রোবেবল লিষ্ট অদু চীফ কোচ রোলেন্ট ওল্টমান্স অমদি হোকি ইন্দিয়াগী সেলেক্টরশিংনা খনগৎখিবনি। মদুদা রাইট বেক গুরবাজ সিংহসু মহাক্কী মফম কনবা ঙমখিদে।

গুরবাজ অসি হোকি ইন্দিয়া লীগতা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা প্লেয়র অমা ওইখিবনি। অদুম ওইনমক হোকি ইন্দিয়ানা রঘুনাথপু নেসনল হোকি কেম্পকী প্রোবেসল লিষ্টতগী লৌথোকখিবা অদুগী মরম পীবা তৌদ্রি। অদুমকপু থাজবা য়াবা পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না মতিং লৈরবা দ্রেগ ফ্লিক্কর অসিনা হৌখিবা চহী খরা অসি লেপ্তুনা শান্নদুনা লাকপদগী মতম খরা ব্রিক পীবিনবা হায়জরকখিবদগী প্রোবেবল লিষ্টতা য়াওহনখিদবনি হায়রি।

লিষ্ট অদুদা সর্দার সিংহ অমদি রুপিন্দর পাল সিংহনা মখোয় মখোয়গী মফম কঞ্জবা ঙমখি। মখোয়না চহী অসিগী হোকি ইন্দিয়া লীগতা থোইদোক্লা শীংথানিঙাই ওইবা মথৌ তৌবা ঙমখিদ্রবসু নেসনল কেম্পকীদমক্তদি সেলেক্টরশিংনা খনগৎখি।

নেসনল কেম্প অসি বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা লাক্লিবা মার্চ ১৪ দগী চত্থবা হৌগনি। প্রোবেবল লিষ্ট অসিদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র স্কাদ অদুদগী প্লেয়র ১১ য়াওবা ঙমখি।

জুনিয়র টিম প্লেয়রশিং অসিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগতা শরুক য়াদুনা মালেমগী খ্বাইদগী ফরবা প্লেয়রশিংগী মায়োক্তা শান্নদুনা মখোয়গী এক্সপরিয়েন্সশিং তানশিনখিবনি। অদুগা মন্দীপ সিংহ, হরজীট সিংহ, হরমনপ্রীট সিংহ অমদি ভিকাস দাহিয়ানা মমাঙদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র মেন'স কেম্পতা শরুক য়াখি।

দিফেন্দর দিপসান টির্কি অমদি গুরিন্দর সিংহ, মিদফিল্ডর সুমিট, নিলকান্ত শর্ম্মা, মনপ্রীট অমদি সিমরঞ্জিট সিংহ, ফোরৱার্দ গুরজন্ট সিংহনা কোর গ্রুপ অসিদা নৌনা য়াওরকপা প্লেয়রশিং ওইরি।

প্রোবেবল প্লেয়রশিং অসিদগী অরোইবা টিম মেম্বরশিং খনগৎতুনা লাক্লিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদবা সুলটান অজলান শাহ কপ অমদি চহী অসিগী জুন থাদা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলদা শরুক য়াগনি।

মশাগী চহী ২০ শুরবা মুম্বাইগী গোলকিপর সুরজ কার্কেরাবু সেনিয়র মেন'স কেম্পকীদমক কৌখৎখি।

সুরজ কার্কেরানা মমাঙ চহীদা ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা লৈবাক মরিগী ইন্টরনেসনল জুনিয়র হোকি টুর্ণামেন্টতা শরুক য়াখিবা জুনিয়র ইন্দিয়া মেন'স টিমদা য়াওখিবনি।

অমিট রোহিদাসনা কুমজা ২০১৭ কী হোকি ইন্দিয়া লীগকী ৱিন্নর ওইখিবা কলিঙ্গা লেসর্সতা দিফেন্সকী চাউরবা থৌদাং লৌখিবনি।

সেনিয়র নেসনল কেম্পকীদমক খনগৎখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি গোলকিপরদা অকাশ চিকটে, পি আর শ্রীজেশ, ভিকাস দাহিয়া, সুরজ কার্কেরানি। দিফেন্দরদা দিপসান টির্কে, পর্দীপ মোর, বিরেন্দ্র লাক্রা, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দ কুমার, রুপিন্দর পাল সিংহ, হরমনপ্রীট সিংহ, জাসজিৎ সিংহ কুলর, গুরিন্দর সিংহ, অমিট রোহিদাসনি।

মিদফিল্ডরদা চীংলেনসনা সিংহ, এস কে উথাপা, সুমিট, সাটবির সিংহ, সর্দার সিংহ, মনপ্রীট সিংহ, হরজিৎ সিংহ, নিলকান্ত শর্ম্মা, মনপ্রীট, সিমরঞ্জিৎ সিংহনি।

ফোরৱার্দতা রমনদীপ সিংহ, এস বি সুনিল, টালৱিন্দর সিংহ, মনদীপ সিংহ, অফান য়ৌসুফ, নিক্কিন টিম্মাইহ, গুরজন্ট সিংহ, অক্সদীপ সিংহ অমদি ললিট উপাধেনি।

# বাবা অপরাজিৎনা অন্দর-২৩ এ সি সি ইমর্জিং কপকী ইন্দিয়ন টিমবু লুচিংগনি, পৃথিভি শোনা স্কাদতা য়াওবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১১ : টামিল নাডুগী বেটসমেন বাবা অপরাজিৎনা ধাকাদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলস ইমর্জিং কপ টুর্ণামেন্টতা ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ টিমবু লুচিংগনি। মুম্বাইগী নহা ওইরিবা পৃথিভি শোসু ইন্দিয়ন স্কাদ অসিদা য়াওবা ঙমখ্রে।

টিম অসিদা য়াওরিবা পুম্নমক দোমিষ্টিক লেভেলদা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা প্লেয়র ঙাক্তনি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা বেঙ্গলগী ওপনর অভিমন্যু ঈশ্বারন, ওফ-স্পিন্নর আমির গাণি অমদি লেফট-আর্ম পেসর কানিশক সেথ য়াওরি।

মসিদা নত্তনা অনুমা ভিহারি, মায়ঙ্ক দাগর, ভিরাট সিংহসু স্কাদতা য়াওবা ঙমখি। হিমাচল প্রদেশকী অঙ্কুশ বেইনসনা টিম অসিগী ভাইস—কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপর ওইরি।

জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা অন্দর-১৯ কেম্পকীদমক মীওই ২৫ না শাবা প্রোবেবল লিষ্ট অমসু খনগৎতুনা এন সি এদা ট্রেনিং তৌনবসু শেম শাখ্রে।

ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ স্কাদতা য়াওরিবশিং অদুদি অভিমান্যু ঈশ্বারন, পৃথিভি শো, শুভম গিল, বাবা অপরাজিৎ (কেপ্টেন), হানুমা ভিহারি, ভিরাট সিংহ, শিভম চৌধরি, অঙ্কুশ বেইনস (ভাইস-কেপ্টেন, ৱিকেট কিপর), রাহুল চাহার, মায়ঙ্ক দাগর, আমির গাণি, অশ্বিন ক্রিষ্ট, কে আর সশিকান্ট, কামলেশ নাগাকোটি, কানিশক সেথনি।

# রিটু রাণিনা পোত্থারুবদগী অমুক হল্লকখিদুনা ইন্দিয়াগী ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগকী স্কাদতা য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ১১ :

হান্নগী কেপ্টেন রিটু রাণিনা ইন্দিয়ন হোকিদগী থা ৭ চুপ্পা পোত্থারুরবা মতুং অমুক হন্না ইন্দিয়ন টিমদা হল্লকখিদুনা কনাডাদা এপ্রিল ১ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন'স হোকিৱর্ল্ডলীগ রাউন্দ টুগীদমক হোকিইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদতা য়াওখ্রে।

ইন্দিয়ন স্কাদ অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়রশিংদি দীপিকা, রিটু, ভন্দানা কাটারিয়া, পুনম রাণি, সভজোট কৌর, দীপ গ্রেস ইক্কা, রেনুকা যাদভ, মোনিকা, সুনিটা লাক্রা, নামিটা টোপ্পো অমদি গোলকিপর সভিটা য়াওরি। মখোয় পুম্নমক রিও ওলেম্পিক্সকী স্কাদতা য়াওখিবশিংনি।

ইন্দিয়ানা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুদা বেলারস, কনাডা, মেক্সিকো, ট্রিনিদাদ এন্দ টোবাগো, উরুগুৱে অমদি চিলিগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা মিদফিল্ডর রিটুনা মহাক্কী লুহোংলবা মতুং হোকি মশান্নদগী পোত্থারে হায়না লাউথোকখিবনি।

রিটুনা হায়খি, ঐনা নেসনল কেম্পতা হল্লক্তুনা ঐগী টিমমেটশিংগা পুনবদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা পোকই। ঐনা রিটয়ার্দমেন্ট তৌখিবা অদু ৱিঠদ্রো তৌবদা য়ারকখিবা হোকি ইন্দিয়াবু থাগৎলি অমদি টিমগী শরুক অমা ওইনা দাইত্ব পীবিবদা অপেনবা পোকই। ঐগী ইমুং-মনুংনা ঐনা হোকি শান্নবদা য়াম্না থৌগৎপী অমদি মখোয়না ঐবু লুহোংলবা মতুংদসু শান্নবগীদমক থৌগৎপী। মরম অসিনা ঐনা অমুক হন্না হল্লকপা ঙম্বনি। ঐখোয়না কন্না হোৎনরবদি ঙমদবা লৈত্রে। নুপী টিমনা অনৌবা মায়কৈ অমদা চঙলকপা অমদি মতিং থোক্লা লৈবা ঙম্লে হায়না ঐনা খল্লি। ঐখোয়না ৱর্ল্ড হোকিদা মশক থোক্লা লেপ্পা ঙমগনি হায়বা থাজে হায়না মহাক্না হায়খি।

পনবা য়াই, হন্দক্তা ভোপালদা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়ানা বেলারসপু ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অদু চাউনা মায় পাকখিবনি।


হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা চাউনা মায় পাকখিবা অদুগী মতাংদা নৌনা চীফ কোচকী থৌ পুখ্রবা জজোর্দ মারিঞ্জনা হায়খি, টেষ্ট সেরিজ অদুদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক্তি অমগা অমগা অন্দর্ষ্টেন্দ লৈনবা অদুনি। মসিগী মথক্তা ঐখোয়না অনৌবা নিয়ম খরা চৎনহনবা পামখি অমদি নুপীমচাশিং অদুনা নিংথিনা খঙখি। ঐনা মদুগী রিজল্ট অদুদা নুংঙাইবা পোকই অমদি খ্বাইদগী মরু ওইনা মখোয়গী পার্ফোমেন্স অদুদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।


দটচমেন অসিনা হায়, মথংগী চয়োল খরদা ঐখোয়না অকনবা মওংদা ট্রেন তৌগনি। মসিদা ফিটনেস, পাসিং অমদি রিসিভিংদা হেন্না মিৎয়েং থমদুনা অহেনবা থৌনা লিংজেল শাগৎতুনা শান্নবা হোৎনগনি। ঐখোয়না অথুবা হোকি শান্নবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমগী মেম্বরশিং অদুদি গোলকিপরদা সভিতা অমদি রাজানি ইটিমারপু, দিফেন্দরদা দীপ গ্রেস ইক্কা, সুনিতা লাক্রা, গুরজিট কৌর, রেনুকা যাদভ অমদি লাললুনমাৱি, মিদফিল্ডরদা দীপিকা, নাভজোট কৌর, রিটু রাণি, মোনিকা, লিলি চনু ময়েংবম অমদি নামিটা টোপ্পো, ফোরৱার্দতা রাণি, ভন্দানা কাটারিয়া, পুনম রাণি, সোনিকা অমদি অনুপা বার্লানি।

# কারোলিনা প্লিস্কোভা, গার্বিন মুগুরুজা, কেলে ইদমুন্দ, নোভাক জোকোভিচ ইন্দিয়ন ৱেল্লস মাষ্টর্সদা মায় পাক্লা চঙশিল্লি







ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ১১ :

ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী কারোলিনা প্লিস্কোভানা মফম অসিদা চত্থরিবা ইন্দিয়ন ৱেল্লস এ টি পি মাষ্টর্সকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন মোনিকা পুইগপু ১-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহুমশুবা সীদেদ চেক্কী প্লিস্কোভানা হায়খি, ঐনা নিংথিনা শান্নদুনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা মখা তানা চঙশিনগনি । ঐনা মায় পাকখিবা অসিদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মায় পাকখিবা অসিনা প্লিস্কোভানা টুর্ণামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মালেমগী রেঙ্ক ৪৩ শুবা মফমদা লৈরিবা পুইগনা প্লিস্কোভাগা মমাঙদা শান্নখিবা অহুম্লক্তা অমত্তা মায় পাকখিদ্রি। সিজন অসিদা ব্রিসবেন অমদি ক্বাটরগী টাইটল লৌখ্রবা প্লিস্কোভানা অমুক হন্না অরোইবা সেটতা খুদোং চাদবা মায়োক্নদুনা ০-৩ দা নেম্না লৈখি। অদুবু প্লিস্কোভানা অরোইবা গেম তরেৎকী মনুংদা তরুক মায় পাক্তুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মেচ অদুদা অনফোর্স ইরর ৩৪ তৌখি অমদি ৱিন্নর ১৯ লৌবা ঙমখি।

মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুদগী ফগৎনা শান্নবা থৌরাং তৌরিবী প্লিস্কোভানা হায়খি, ঐনা মথংগী মেচতা হেন্না ফগৎনা শান্নবা আশা তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা সেকেন্দ রাউন্দগী মেচতা মশাগী চহী ১৭ শুরবী অমেরিকান কেলা দেনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট মিরজানা লুসিক-বারোনিবু মায়থীবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাগা মায়োক্ননা শান্নবা খোঙফম শেমখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবী লুসিক-বারোলিনা ৬-৪, ৫-৭, ৭-৫ দা মায়থীহৌখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা তরেৎশুবা সীদেদ মুগুরুজানা বেলজিয়ন ভেটরান কির্ষ্টেন ফ্লিপকেন্সবু ৬-২, ৬-৩, দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মুগুরুজানা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা ৫-০ দা অনীশুবা সেট অদু মাঙজিল থানা চৎখি। মহাক্না মখা তানা ওপোনেন্টপু খুৎ হলহনখিদনা মেচ অদু মায় পাকখি।

মুগুরুজানা হায়খি, মহাক্না শান্নখিবা মেচ অদু খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নখি। মহাক য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা প্লেয়র অমনি। মহাক্না খেন্ন-খেন্নবা গেমশিং শান্নখি অমদি ঐঙোন্দা চমন্নবা পোকহনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বৃটেনগী জোহন্না কোন্টানা হীথর ৱাটসনবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা বৃটেনগী কেলে ইদমুন্দনা পোর্টুগালগী গাষ্টাও ইলিয়াসপু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুম্লক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নোভাকা জোকোভিচ মায়োক্ননবা খোঙফম শেমখি।

মালেমগী রেঙ্ক ৪৬শুবদা লৈরিবা ইদমুন্দনা রেঙ্ক ৯৫ শুবদা লৈরিবা ইলিয়সপু মায়থীবা পীখিবদা মিনিট ৬৫ চঙখি। য়ু এসকী চহী ১৯ দা ঙাইরিবা টেলর ফ্রিটজনা ফ্রেঞ্চকী বেনোইট পেয়রবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। ফ্রিটজনা মথংগী মেচতা মারিন সিলিক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা মেচতা ফ্রেঞ্চকী ষ্টেফনে রোবার্টনা ইজরেলগী দুদি সেলাবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। রোবার্টনা মথংগী মেচতা মাপনশুবা সীদেদ রোজর ফেদররগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

বৃটেনগী দানিএল ইভান্সনা জর্মনগী দষ্টিন ব্রাউনবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। ইভান্সনা মথংগী মেচতা জপানগী মরিশুবা সীদেদ কৈ নিশিকোরিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।